ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, ওক্টোবর ২০, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২০০ শুবা মশীং

# লগাউদা ঈরাক্লরবা খুন্নাই

## *সিভিল সোসাইটিশিংগী থৌদাং কান্নগনি খল্লি*

*গৌড়িয়া* লাইনিং চৎপা মীতৈশিংনা লমতাগী পূর্ণিমাদগী লৌরবা নুমীৎ মঙানি য়াওশঙ কুম্মৈ পাঙথোকই। য়াওশঙ কুম্মৈগী মপুঙ ওইবা শক্তমদি অঙাং অহল খায়দনা নাকথেং চৎপা, অবের তৈনবা, থাবল চোঙবা, হোলি ঈশৈ শকপনচিংবনি। কুম্মৈ অসিগী ফজরবা মচৎ অমা লৈজরবসু মতম শাংনা হায়বদি নুমীৎ মঙানি হরাও কুম্মৈ পাঙথোকপা, অময়া কাদুনা লৈথোকপা হায়বসি মতমগা চুনরিব্রা হায়বা ৰাহং হংনবা হৌরক্লবনি। য়াওশঙগী মতমদা নুপী অঙাংশিংনা য়ুমথোংদা শেল নীবা চৎপা হায়বসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনবী ওইরকপনা হৌজিকসু কুম্মৈ অসিগী মশক অমনি হায়না লৌদুনা মীপুম খূদিংমক হরাওনা শরুক য়ামিন্নরি। চৎনবী ওইদ্রিঙৈ হৌগৎলকপদা কুম্মৈ অসিগী মরুমদা ফজদবা মচৎ কয়ামরুম য়াওরিবসি শেমদোক্লম্লবদি য়াওশঙগী কুম্মৈ অসি হেন্না মশক থোক্লমগদবনি। হৌজিক্তি মতম হেনখিবদৌনা তৌরে। অনৌবা মীরোলনা ফজদবা মচৎশিং অসি শেমদোকপা ওইরসু হায়বদগী হেন্না করিসু হায়নিংঙাই লৈরক্রে। মীরোল অসিনা হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী তমথিরবা মচৎ অমগী শক্লোন অমা উবা ফংলি। হায়রিবা শক্লোন অদুদি মফম কয়াদা লগাউ শান্নবা, লোনা য়াবগুম্না হাউসি শান্নবনি। লগাউ হায়না খঙনবা মখলগী শেল থানবগী মশান্না অসিগী মমিং অসি য়েংলুরগদি মণিপুরনা ইন্দিয়ানা নকশিন্নরুবদগী চঙলকপা ওইনা উবা ফংই। লগাউ নৎত্রগা দিৰালি হায়না খঙনবা জুৰার মখল অসি হৌজিক হৌজিক নিঙোল চাক্কৌবা ময়া ওইশিল্লকপসিদা লৈরক কোনশাং খূদিংগী শান্নবা উরে। খ্বাইদগী নুংঙাইতবা মতৌ অমা নুপাশিংনা শান্নরম্বা জুৰার মখল অসি চহী নৌরিবা অঙাং অমদি নুপী কয়ামরুমসু য়াওশিল্লক্লে। লগাউ খাউফমদা লৈশাবী খক্তা নত্তনা ময়ুম পাল্লবা নুপী ফাওবা শরুক য়াবদা নত্তনা খাউবা ফাওবা য়াওশিল্লক্লে। নুপী হায়বসি মণিপুরী খুন্নাইদদি ইংবা তপ্পা, ইমুং মনুং পুবা অমদি মচা মশুশিংগী ৰারক ৰাতেম্বগী অচৌবা থৌদাং লৌবা কাঙলূপনি হায়না শীংথানরিবনি।

তুংগী মীরোল শেমগদবা নুপীশিংনা তাইবঙপালসিদা তৌরোইদবা থবক অমা ইকায়বা খঙদনা খুন্নাইসিদা ফোঙনা চোংথোরকপা হায়বসি কৈদৌঙৈদসু থাগৎনিংঙাই ওইদে। মচানা লগাউ খাউগে হায়দুনা থোরকপদা মখুত্তা চৈ পায়দুনা ৰারক্কদবা মমানা লগাউ খাউবা তারবদি মচা অদুনসু মফম অমদা লগাউ খাউবদা কনানা থিংগদৌরি। মপাসু অদু মঙাই, মমা-মচা চঙদুনা লগাউ খাউবদা ৰারকপা ঙমদ্রবদি য়ুম্নুরেম্বা ওইবদা মতীক চাদ্রবা হায়বদুনি। নুপীনা লগাউ খাউবা অমদি থাবগী মচৎ অসি ইম্ফাল অমসুং গ্রেটর ইম্ফালগী মফম অয়াম্বদা উরে। মসি চহী অহুম মরিগী মমাঙদদি উরমদবনি। তৌহৈদবা, চৎহৈদবা লীচৎ শাজৎ অসি ইমুং মনুংদগী হৌরকপা ওইবনা ইমুং মীওই অমত্তনা ৰারক ৰাতেম্বা তৌররোইদবনা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা ক্লবকী থৌমীশিংনা অখন্নবা থৌদাং অমা ওইনা লগাউ খাউবা থিংননবা কেম্পেন চথবা চুম্মী। ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী য়াইফগদবা থবকশিং পাঙথোক্লবনি হায়দুনা লৈরিবা মশীং খঙদ্রবা লূপশিংনসু লগাউ খাউবা থিংবগী কেম্পেন চথবা চুমগনি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌরক্তবা মরম্না করিগুম্বা মতমদা মীয়ামগী থবক তৌবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং লৈতব্রা হায়বা ৰাহং ফাওবা হংনরক্লে। খ্বাইদগী ঙকপা মতৌ অমনা আইন্না য়াদবা মওংদা শান্নরিবা জুৰার মখল অসি থিংগদবা পুলিস পর্সোনলশিংদি য়াওশঙ কুম্মৈগুম মখোয়দদি মতোন থোক্লে। নহানমখৈ ওফিসতগী মপান থোক্লমদবা, মীয়াম্না মশক খঙদবা পুলিস ওফিসর ফাওবা লগাউ শান্নফমদা শেল খায়বা চৎলে। মিনিষ্টর এম এল এশিং অমদি ভী আই পিশিংদা পীরিবা এস্কোর্টশিংসু লগাউ শান্নফমদা য়ুনিফোর্ম শেৎলগা শেল নীবা চৎলে। মফম অমদগী লগাউ মরু ফারগা মফম অমদা য়োম্হোল্লগা শেল তাল্লে। কমান্দো, আই আর বি, এম আর, সিবিল পুলিস, ভী দি এফ হায়বা থিদনা অঙম অঙম্বা মওংদা শেল খায়বগী মচৎ অমা লাক্লিবসি দি জি পি, এম কে দাসনা ইচম চম্বা ফিজোল শেৎলগা লগাউ খাউফম অমগী ময়াদা মিনিট মঙাখক ফম্বদা পুন্নমক উবা ঙমগনি। পুলিসকী মমাঙদা লগাউ শান্নরে, মদুসু নুপীনা লগাউ খাওরে, নুপী-নুপা হুপচিন্দুনা থারে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লগাউদা লাইচুরবা খুন্নাই অসি কনগে হায়বা তারবদি লৈকায়- লৈকায়গী লৈরিবা ক্লবকী ভলুন্টিয়রশিং মপাঙ্গল কলহনগদবনি অমসুং মখোয়না লগাউ শান্নবা থিংগদবনি।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ঐখোয়গী ঙসিগী মণিপুর

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**হায়নৈ** লৈবাক মীয়াম্না ঐখোয় করম্বা মতমদা মীকপ থোক্কনি, নোংপোক থোঙ হাংবা হৌরক্লে, মণিপুরগী ইশাগী ময়েক ইরোল চৎনবা হৌরক্লে, কংলাদগী আসাম রাইফল লৌথোকখ্রে, ঙসি ঐখোয়গী মণিপুরগী মীওইশিংনা অনম অহা চুবগুম লৈরিবা, মতিং লৈনা লৈনবগীদমক, অপূনবগী লিচিংনা পুনশিন্দুনা ঐখোয় পূন্না হোৎনবা অমা চঙলি। অখঙ অহৈ, মাইচৌ-মাইনৌ, অহল-লমন, লুচিংবশিংনা হিমাই চুম্বীদুনা অৰাবা অসিদগী কোক্লবগীদমক্তা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা লৈরিবা সোসিয়েল ওর্গেনাইজেসনশিংনা মথৌ তারিবা থবকসি হোৎনমিন্নরসি। মদুদি লৈবাক মীয়ামগী তুংগী খনবীদুনা ঙসি ঙসিমকসু ঈরাৎ থৌনি থৌরমদি অদুম লেপ্পা লৈতনা তৌনরিবা ইশাগী লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংগী মমিং অমদি খুভমবু অতোপ্পা মীরমগী লাইগী মমিং মথানা মহুৎ শিন্দুনা, থোনজিন্দুনা অমদি ঈরাৎ থৌনিরিবসিগী মহুত্তা ইশাগী ইরমদমগী থায়নদগী লৈজরক্লবা মমিং মথাশিং নৌহৌননা ওনশিনবীদুনা ঈরাৎ থৌনি তৌহঞ্জনীংই। মসিদা মথৌ তারিবা থৌনি থৌরম তৌবিরিবা মীওইশিংনসু হান্না করম্বা লাইরেম্বা-লাইরেম্বীগী খুভম মমিং মথা অমদি থৌনি থৌরম পাঙথোক্লম্বগে হায়বদু লৈবাক্কী মাইচৌ-মাইনৌশিং তানমিন্নদুনা পূন্না হান্নগী কাঙলোনদুদা ওনশিনমিন্নরসি।

মণিপুর লৈঙাক অমদি মণিপুরগী সোসিএল ওর্গেনাইজেসনশিংনা লৈবাক মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা নোংপোক থোঙ হাংবা হৌরকপা, মণিপুরী (মৈতৈ) ময়েক অমদি ইরোল চৎনবা হৌরকপা, কংলাদগী আসাম রাইফলস লৌথোকখিবগুম, লাইরেম্বা-লাইরেম্বীগী মমিং মথাসু ইরমদমগী মমিং মথাদা পূন্না ওনশিনমিন্নরসি অমদি পূন্না হোৎনমিন্নরসি। মসি ওইরবদি ঐখোয়না লেংঙম শাঙমদবা ফুরুপ অমগুম লৈরম্লিবসি কোক্তুনা অতোপ্পা ফুরুপগী মমাঙদা মতিং লৈবা ফুরুপ অমা শোয়দনা ওইরক্লগনি। ঐখোয় মীকপ থোক্লসি, তূমদবা মী হৌদোকপা লুই হায়হল্লরোইসি, মতাং মতম চপ চারে পূন্নমক্না মতিং লৈবা ফুরুপ অমগীদমক হোৎনমিন্নবা, ময়াম্বু অমুক্কা হন্না খুরুমজরি।

*অদোমগী-কোরৌঙানবা লুৰাং*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৭


১। ''তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা / পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা / হে উনা! পুন্সি লোম্লমাল্লে / উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদো।'' কবি কনানা হায়রম্বনো?

২। 'তলা পামেল নহাকসু' শৈরেংগী লাইরিক অসি কবি কনানা ইবনো?

৩। 'শমজিরৈ অমগীদমক' হায়বা শৈরেংগী লাইরিক অদুগী অইবীদু কনানো?

৪। 'পুন্সি পামেল' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ২১, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# গুরু কীর্ত্তন সেবা ২০১৬ য়াওরুবদা

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমার



**অখন্দমন্দলাকার-ম** ব্যাপ্ত-ম য়েন চরাচরম/তৎপদ-ম দর্শিত-ম য়েন তসমৈ শ্রীগুরুরৱে নমঃ (খুরুমজৈ পুকচেল চাউরবা হে গুরু, মপান নাইদ্রবা তাইবংসিদা লৈরিবা, লেঙলি-পাল্লিবা অচৎ-চত্ত পূন্নমকসিবু খঙহনবীবা)... গুরুরব্রহ্মা গুরুর-বিষ্ণুঃ গুরুরদেবো মহেশ্বরঃ। গুরুরেৱ পর-ম ব্রহ্মা তসমৈ শ্রীগুরুরৱে নমঃ (খুরুমজৈ হে গুরু পুকচেল চাউরবা, ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশ্বর অহুমক্কী অসুপ্পা, পূন্নমক্তগী অথোয়বা ব্রহ্মাদগীসু হেল্লবনি নহাক্তি)...। লৌশিং মঙাল পীবীবা, তাইবঙ মশক তাকপীবা, মী কৌবা শা'সিবু মীওইবা অমা ওইহনবীবা, শেম্বীবা মপু গুরু মাগী মশক মগুণ মনাই ওইবা মচাশিংনা শৈথাজবা শৈথা ঈশৈ অনীখক্লি, ইজগদৌরিবা ৰারেংসিগী শৈহৌ ওইনা থমজরিবা। গুরু-শিষ্য পরম্পরা, ওজা-মহৈরোয় অনীগী পাথাং পুথাং খঙহনবীরকপা অচেৎপা মরী - ঙসিগী তাইবং অসিদা উখিদবা কুইরে। ওজানসু মহাক্কী মহৈরোয়শিংদা মচাগুম য়েংলম্বা মিৎয়েং মাঙখরে। মহৈরোয়শিংনসু মহাকপু শেম্বীবা গুরুদা থমফম থোকপা ইকায়খুম্নবা থম্নখিদরে। করি অমুক হায়গনি - ওজানা মহাক্কী মহৈরোয় অমবু নুপী ওইনা লৌশিনবা অমদি মহৈরোয় অমনসু মহাকপু তাকপী তম্বীরিবা ওজা নুপীবু পুন্সি খোঙলোয় ওইনা লৌবা তাঙলবা থৌদোক অমা ওইরকখিদরে। অমনা অমদা থম্ফম থোকপা নুংশিবা অমদি ইকায়খুম্নবা মাঙখিবা কুইরক্লে।

অদোম করিগুম্বদা খন্তবীখ্রবরা - পূন্নমকসি করিদগী ওইরকপনো? হায়নৈ ঙসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিনা কা হেন্না কম্মর্সিয়েল ওইরকপননি, এদ্যুকেসনগী করিকুল্লমদা মোরেল সাইন্সকী মফম লৈতবননি। ওইনীংবদু ওইরসনু - ঐদি হায়গনি... গুরুগী মফমদা থম্ফম থোকপা ইকায়খুম্নবা হায়বসিদি তম্বীগদবা নত্তে, গুরুকুল (মহৈশঙ) দা মসিদি মী অমগী মফমদা মশা মথন্তা ফাওজরক্কদবা মহৌশাগী ইহুল (নেচরেল ইন্সতিঙ্ক) অমনি, ইহুল অদুগী য়ূম্ফমদি মী অদুগী ইমুং-মনুং অদুনি।

'গুরু' হায়বসিগী তশেংবা মনুং হঞ্জিনবা ৰাহন'দি স্কুলগী ক্লাসরুম অমদা লাইরিক্তা ইবা ৰারী লাইরিক-লৌশিং খরা মহৈরোয়শিংদা তম্বীরিবা 'টিচর' (ওজা) হায়বা মীশক্তুখক নত্তে। তাইবঙগী লৌশিং খরা খঙ-হৈরবা কনাগুম্বা অমনা, খঙজদবা কনাগুম্বা অমদা তাকপীরিবা, তম্বীরিবা, খঙহল্লিবা মহাক অদু গুরুনি। মমা-মপা-মমান্নবা-লাইনীংবা... করিগুম্বদা শা-ঙা-উচেক- ৰায়া ফাওবা কনাগুম্বা অমগী গুরু ওইবা য়াই। রাম কৃষ্ণ পরমহংসনা হায়রম্মী...'তাইবঙগী অশেঙবা জ্ঞান লৌশিং হায়বদুদি অচৌবা লাইরিক কয়া মশীং নাইদনা পারুদুনসু ফংঙল্লোই... মঙালগী মশক ওইরবা লৌশিং অদু ফংলে খল্লবা, গুরু অমগী মফমদা চঙজবা তঙায়ফদে। মপূং ফাবা লৌশিং ফংদুনা অরান-খুবম ফংগে খল্লবা গুরু অমগা মহাক্কী শিশ্য অমগী অচেৎপা মরী য়াওদনা ওইথোক্তবা অমনি। হনুমানবু রামগী অচানবা শিশ্য, রামবু হনুমানগী অশেঙবা গুরুনি করম হায়রিবা! রামগী মিংখে শোনবদি শিদ হিদাক চাবগুম্বনি (রামানামামৃত:ম)-হনুমান'না হৌদোক্লম্বনি। শ্রীকৃষ্ণনা মহাক্কী খ্বাইদগী চান্নবা মরুপ অমদি নুংশিবা শিশ্য অর্জুনদা পীবা পাউতাক ওইনা থম্বীরম্মী শ্রীমদ ভাগবত গীতা। রাম কৃষ্ণ পরমহংস'না মালেমদা খুদোল তৌরম্মীবসি বিবেকানন্দ। বিবেকানন্দনা পীরম্মী - রাম কৃষ্ণ মিসন। ঐখোয়গী ইরম অসিদসু রাম্না কৃষ্ণগী ভক্তিনা পীরম্মী খাঙেম্বম গুলাপি, গুলাপীনা পীরম্মী - লৈমপোকপম লাখপতি। লাখপতি'না উৎলকই -গুরু-ভক্তি করিনো? করম্না মশক খঙগনি? কুমজা ১৯৯৩ দগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা 'গুরু কীর্ত্তন সেবা' কৎলকই।

তাইবঙ মপু (শ্রীহরি) অমদি মাগী শায়োন লাংওন কয়াগী ৰারীবু ঈশৈ ওইনা শক শোন্দুনা (কীর্ত্তন তৌদুনা) তাইবঙ সেবা তৌরিবা পুন্সি মশক খঙবা ঙমজরিবা কনাগী মপালননো? মশা মথন্তা হংজখিবনি। অসুক ফজবা, অসুক নীংথিবা 'নট সংকীর্ত্তন' কৌবা মীতৈশিংগী কলাগী খুৎশেম অসিগী পাক চাউরবা তাইবঙসিগী সনথোঙদা মখূৎ পায়দুনা পুশিনবীরম্বা অমদি লুরবা ঈপাকসিদা মদোম হোনবা ঙম্বা হিহোনবা অমা ওইহনবীরম্বা মহাক্কী গুরু গুলাপি তাইবং ৰাংমা লানখ্রসু মথম্মোয়দগীদি শুপলাপ লাপথোকখিদে। খনখি মতম চুপ্পদা করি করম তৌরগা গুরু লমন শিংগনি? চৎলে চৎনা, তূপ্লে তূপ্না, চারে চানা ... তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা গুরুদেবগী থৰায় মিরেলনা তোংদুনা লৈবিবনা লৈয়েং খৎপা থোকচবনি খন্দোকই। গুরুনা লমজিংলম্বা কলাগী তাইবঙসিদা মহাক্না ফংজরকপা অনৌবা জ্ঞান লৌশিং-খুৎশেম পূন্নমক গুরুদুদা কথোকই। ইয়াং য়াংনা করিমত্তা খন্দনা খুমদোরকই - পূন্নমক ওজা ইবুংঙোগী থৌজাল (কৃপা) ননি। কৃষ্ণমক্কা করিমত্তা খেন্নদ্রবা গুরু মাবু থম্মোয়সিদা লেংদনা থল্লগা নীংশিংনবা থৌওংদি 'গুরু কীর্ত্তন' নত্তনা অতৈ করি লৈগনি? গুরু কীর্ত্তন, গুরু বন্দনা - করি খেন্নৈ অনীসে? গুরুগী মিংখে শোনবদি মপুগী মিংখে শোনবনি। ৰাখলসিনা মাঙওইনরগনি চহী খুদিংগী মেরাগী ১৪ নি পানবদগী হৌরগা ১৫ নি পানবা নুমিৎ ফাওবা 'গুলাপী নট সংকীর্ত্তন একাদেমি'না শিন্দুনা ১৯৯৩ দগী ঙসি ফাওবা পাঙথোক্লক্লিবা।

হন্দক চহীগী 'গুরু কীর্ত্তন সেবা' - মহারাজ চন্দ্রকীর্তি ওদিটোরিয়মদা ওক্টোবর ১৪ দগী হৌরগা ১৬ তা লোইশিনখি। ৰারেংজরিবা ঐঙোন্দা শৈহৌ নুমিৎ অদুমক্কী অয়ূক্তা চেবাউ অমা থুংলখি, লোইশিন থৌরমদুগীসু য়াওনা। হান্নগী চিল্লবা এনগেজমেন্ট ময়াম অদুসু শোয়দনবা এদজষ্টমেন্ট তৌরগা, থৌরম মফমদুদা হৌফম থোকপা পুংফমদুদগী খজিক্তং চোম্থুনা থুংলুবনি। খনখি, ফমফম লৈরমদ্রবদি কমদৌবা? মণিপুরদা লৈরিবা কলা মখল পূন্ন মক্তগী, মণিপুর মীয়ামগী পুন্সিরোলগা শেত্তোক্লবা য়াদবা কলা ওইরিবা, কলাকার মশীং খ্বাইদগী য়াম্বসু ওইরিবা, গুরু শিশ্য পরমপরা খ্বাইদৈ ঙাক্লা চৎলিবা, থৌগল্লোন কায়দনা লোয়নরিবা কলাকারদি 'নট সংকীর্ত্তনগী থৌগল্লোয়শিং' অমনি - গুরু কীর্ত্তন সেবা ২০১৬, মহারাজ চন্দ্রকীর্তি ওদিটোরিয়ম মীনা চোন্না তিল্লমগনি। ... ঐগী ৰাখল তায়ওন্নরমখি। তঙ্খায় অমা ফাওবা শুনা তিল্লমদে। কদায় কদায় চৎনখিবা? ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংদা ঈশৈ শৈফম লৈবরা? নৎত্রগা, 'গুলাপী নট সংকীর্ত্তন একাদেমি' মখোয়গা মরী লৈনদে খনবরা? নৎত্রগা, লাখপতিনা শীনজবা 'গুরু কীর্ত্তন সেবা' - মহাক্লা মহাক্কী গুরু গুলাপী'দা কৎচবা কীর্ত্তন সেবানি খনবনরা লাকফম থোকপা লাক্লমগনি খনবা অফাওবা/ ফাওতক তৌবা নট সংকীর্ত্তন শৈশকপা (ওজা) কয়া উখিদে। লাখপতি'না শাংতক তৌবা মহাক্কী ৰারোল পীবদা, গুরুশিংগী ৰারী লীরকপদা, খাম্বা য়াদ ঈহৌরকপা পি খাম খামদুনা লীখিবা ইমোসনেল ওইবা অদুগুম্বা ৰাঙাঙ-মমাঙদা অমুক্তসু তাখিদ্রি। মমাঙদা তাখিবা স্পিচশিং ইগোগা ইরোয়নবনা অয়াম্বনি।

ওজা লাখপতি নত্তবা অতৈ নহা ওইরিবা অমদি অহল ওইরবা নট সংকীর্ত্তনগী শৈশকপা কয়া অমা উরে। মাঙ্গোলদুমক্তদা গুরু গুলাপীগী লাইফ সাইজ ফোটো অমা লাই লাৎফমগুম লাৎলিবা, ধুপ থাঙনৈ থাদুনা ঈশ্বর খুরুম্বগুম খুরুম্লিবা কনাগী য়ূমদসু উরক্তে। ঈশৈ শৈফম খরা তোয়না চৎলবা, খোল্লে খোন্দা ফজবা শৈশকপা অমবু ওইরবা, খোনবাংবা ওইনা নৎত্রগা পালা ওইনা পুনবা অনৌবা শৈদম্বা খরা খোমজিল্লগা ওজা ওইনা, ময়ূম্বু শৈদমফম ওন্থোকপা ওজা শৈশকপা কয়া অমা লৈকায় খুদিং লৈরিবদু উবীরম্লগনি ময়ামসু। অদোম থাজবীবরা - অনৌবা ওজা শৈশকপদুনা মাগী ওজা (গুরু) দুবু মীকুপ অমা মথম্মোয়না নীংশিংলমগনি হায়বা?

অরোয়বদা ওজা লাখপতিদা ৰাহং অমতং কাখলসিগী খুথাংদা হংজগে- 'অদোমগী মশীং থীঙমদ্রবা শিশ্যশিংদুগী মরক্তা করম্বা শিশ্য অমনা অদোম্না অদোমগী গুরু লাৎপসিগুম, অদোমবু গুরু অমা ওইনা লাৎলক্কদে তুংলমফাও? অদোমগী খ্বাইদগী থাজজবা শিশ্য কনানো?

# ককচীংদা হাওসিং ফোর ওলগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎলুবদা

### সোরোক নোরেন

**হৌজিকসি** মণিপুরগী অর্বান লোকেল বোদি ২৭ মক হাওসিং ফোর ওলগীদমক খ্বাইদগী চিনবা মতমনি। টাউন খুদিংমক মানা-মানা ঙমজবী থাক্তা হোৎনদুনা মপূং ফাহৌনবা কন্না হোৎনরি। লাক্লিবা কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৈবাক অসিদা লায়রবা ময়ূম মকৈ লৈজদবা মীওই অমত্তা লৈহল্লোই হায়বগী চাউরবা পান্দমনি। পান্দম অসি অর্বান মিনিষ্ট্রিগী মখাদা প্রাইম মিনিষ্টর অৱাজ য়োজনা, হাওসিং ফোর ওল হায়দুনা ঐগী ইরমদম অসিদসু অতৈ ষ্টেটতগী তাদনা মাঙজিন থানা চঙশিল্লি। স্কিম অসিগী ওইনা মণিপুরগীদি নোদল এজেন্সি অসি মণিপুরগী টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা ওইরি।

অনৌবা নহা ওইরিবা একজিক্যুটিব ওফিসার অমদি এসিসটেন্ট একজিক্যুটিব ওফিসার লোয়ননা টাউন প্লান্নিংগী খঙ হৈরবা এঞ্জিনিয়ারশিং অমদি আর্কিটেকচর কয়ানা পূন্না খূৎশম্নদুনা কন্না হোৎনরিবা হাওসিং ফোর ওলনি। হৌজিকমক মপূং ফানা শেম শাবা লোইদুনা ফাইনেল লিষ্ট ফোঙলবশিংগী মনুংদা ৰারেং অসি ইরিবা মীকুপ ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুং ইন্নদি জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল মতোমতা ওইরি। হায়রিবা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী একজিক্যুটিব ওফিসার থিংবাইজম হরিকুমার ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন্দা লিশাং শিৎনা শাংলবা মতম পুদুনা লাক্লবনি। করম্বা মতমদা, করম্বা স্কিমগী মখাদা করম্না মায় পাক্লা পায়খৎকনি মুন্না খঙলবা ওফিসারনি। মদুমক্তনা পনবা হৌরকপদা পূন্নমক শেম শাবা লোইদুনা টাউন ২৭ মক্তগী মাংজিল থাবা ঙল্লিবনি। অসুম্না মমাঙদসু ইন্টিগ্রেটেদ হাওসিং স্মোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পায়খৎপা হাওসিংগী স্কিমদসু অর্বান মিনিষ্ট্রিদগী ষ্টেটসিগী ওইনা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মনা ফংদুনা ষ্টেটসিগী মিংচৎ পুরকখিবা য়াম্না মথৌ খঙবা ওফিসারনি। মখা তারকপদা ফাইনেল লিষ্ট ফোঙনবা কন্না হোৎনরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংদি লমশাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, শুগনু অমদি ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। লৈরিবা টাউন ২৭ কী মনুংদা মেদিয়ম টাউন অমা ওইনা খঙনরিবা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংবু স্পোট ভেরিফিকেসন হৌখিবা ওক্টোবর ১৬, নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখি। কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ ১২ লৈবগী মনুংদা তশেংনা স্পোট ভেরিফিকেসন মথৌ তাই হায়না লৌরিবা মশীংনা চাওরাকপা বেনিফিসরি ৪০০ রোমনি। অপূনবা ৱার্দ তরানিথোইগী বেনিফিসরি ৪০০ রোম অসি য়ূমথোং খুদিং চত্তুনা য়েংবা মথৌ তাখি। মসিগীদমক টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী চীফ টাউন প্লান্নর এন গীতকুমারনা য়াম্না হৈশিংনা সর্ভে অসি মপূং ফানবা হোৎনখি। মাহুদ দিপার্টমেন্টতগী ঈ ও অমদি এ ঈ ও ১৯, মুর্দাদগী ৫, টাউন প্লান্নিংদগী ১০, ময়াং ইম্ফালদগী ৪, নম্বোলদগী ৫, বিষ্ণুপুরদগী ২, নিংথৌখোংদগী ২, মোইরাংদগী ৩ পূন্না দ্রাইভর ১০ থারগা মীওই ৫০ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। হায়রিবা টিমশিং অসি টিম ১৯ থোক্লা খাইদোক্তুনা অমুক্তদা চৎনবা শেম শাখিবা মওং অসি য়াম্না মচু তাখি হায়বা য়াই।

মপূং ওইনা টাউন খুদিংমক্তগী লাকখিবা এঞ্জিনিয়রশিংনা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙখি। প্রোগ্রাম অসি চৎনবা শেম শাখিবা অসি য়াম্না তেন্না ফেসবুক্কী মণিপুর ম্যুনিসিপালিটি হায়বা গ্রুপ অমগী খুথাংদা ওফিসার অমদি এঞ্জিনিয়ার পূন্নমক ফাওনদুনা সেদ্যুল তৌখিবনি। হায়নখিবা মতম অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতা য়ৌনরকসি হায়বদু পুঙ্খায় অমগী মনুংদা চপ চানা য়ৌরক্তুনা অয়ূক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা ককচীংগীদমক সর্ভে টিমশিং খোঙশানখি। বর্ম্মা রোদতা চৎপা খরা, ময়ায় লম্বী হায়বদি ময়াং ইম্ফাল রোদতা চৎপা খরা য়াওরবসু অয়ূক্কী পুং ৯ অদুৱাইদদি পূন্নমক ককচীং ম্যুনিসিপাল ওফিসতা থুংদুনা টিম ১৯ গী মেম্বরশিং অমমমতা ওইনা শেমনদুনা পুং ১০ খরা হেনবদা ৱার্দ ৱার্দকীদমক খোঙশানখিবদু মওং অমা ওইনা উখি। লায়রবা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীচম মীয়ামশিংগী ময়ূম শাবিনবা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। য়ূমথোং খুদিং চৎতুনা বেনিফিসরি খুদিংগী য়ূমলৈ কৈরৈ য়েংবদু ফনা য়াম্না লায়রবা লৈরমই হায়বা তাই। অচুম্বা অশেংবনি খঙলবসু সোসিও ইকনমিক সেন্সস দাটা ২০১১ দা য়ূম্ফম ওইরগা সেলেক্সন তৌগদবা ওইবনা হায়রিবা দাটা অসিদা শেরান্নবা চৎপা য়াওরম্বশিং অদু চুমথোক্লবা হোৎনবদা অরুবা অমদি ওই। মশাগী আধার কার্দ পুথোক্তুনা মাগী ওইবা সোসিও ইকনমিক রিপোর্টতা তিন নম্বর ফংদ্রবদি হাওসিং অসি এপ্লাই তৌবদা অরুবা অমদি ওইরি। অসুম্না আধার নম্বর, তিন নম্বর মপূং ফানা ফংলবা য়ূমলৈ-কৈরৈ অদু পীরিবা গাইদ লাইনগা চান্নরবদি বেনিফিসরি অদু এপ্লিকান্ট ওইবদা মতিক চারে হায়দুনা ভেরিফাইদ তৌবা য়ারে।

অসুম্না স্পোটতা চৎতুনা অরান অহুই কয়া অদু চেক তৌ-তৌদুনা ভেরিফাইদ তৌরবগী তুংদা দ্রাফট লিষ্ট অমা থোকপা হায়বসি তঙাইফদে। দ্রাফট লিষ্ট অসি কাউন্সিল মশানা থোকচরগা পব্লিকশিংদা য়েংনবা অমদি ওবজেক্সন তৌনবগী তাঞ্জা অমা পীদুনা মতম খরা অমুকসু থম্বা মথৌ তারি। হায়রিবা মতম অদু ফাওবদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা য়েৎপীরক্তবা তারবদি কাউন্সিল অদুগী বেনিফিসরি ফাইনেল লিষ্ট থোকপা য়ারে। ফাইনেল লিষ্ট অসি থোক্লবা হোৎনবদা চঙবা মচাক ময়াম অদুনি ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অহানবা ওইরগা অপূনবা ওফিসারশিং অমদি এঞ্জিনিয়র কয়াগা লোয়ননা ৱার্দ অদুগী কাউন্সিলরশিংনা লুচিংলগা য়েংবা চৎমিন্নরিবা। থাগৎলক্লিবা এপ্লিকান্ট অদু অয়াম্বনা ৰাখল তামিন্নবা খরা ৰাৎপগী মমি অদুনা নৌনা ভেরিফিকেসন চৎনহনবনি। ফোর্ম অদু মেনশিল্লমদাইদা মমুৎ তানা খঙলম্লবদি অমদি অখঙ অহৈ তান্নরম্লবদি ভেরিফিকেসন্দা চাওনা মায় পাকপা অমদি ওইরম্বা য়াই। পীরিবা গাইদ লাইন অসিনসু থৈদোক থৈজিনগী ৰাফমশিং অসি মচা খায়বা খরদি ৰাৎপগুম তৌই। মদুমক্কা মীচম মীয়াম্না পীরিবা ফোর্ম অসিদা ৰাহম্থোক অসি ওন্ন তৈনবগুম খরা উবা নত্তনা হাওসিং ফোর ওল (অর্বান) অসি লমদম অসিদদি য়াম্না খুমাং য়াংনা চঙশিল্লি হায়বা তাই। অদুবু শাংলবা চহী ৫ চঙনা শাগনি হায়রিবসি মতম অদু য়ৌদ্রিঙৈদা করি ওইখিবা কনানা খঙগনি। পোলিটিকেলগী ওইবা লাল্লোং কয়ানা মমিং ওন ওন্দুনা থাদরিবা স্কিমশিং অসিনা ময়ায়দা চপ লেপখিবা তারবদি লায়রবা কয়াগী মঙলানদি কায়বা নত্তনা উপাই লৈরোইদৌরি। লৈতবা হায়ববু ঐগী ইরমদম য়াম্না শোত্থরি হিংনবগী, লৈনবগী, চানবগী মায়কৈ খুদিংদা অহোবনা পীক থল্লিবা লমদমনি।। খরদা ওইরবসু মতেং খরদি ফংলগনি হায়বা আশা অসি লায়রবশিংদদি অচৌবা মঙলান্নি। অদুবু ইচং থৌরিবা মোদি লৈঙাক্কী মপুন্সিদি চহী অহুমদা ঙাইরে। হাওসিং ফোর ওলগী মপুন্সিনা চহী অনী শাংথরি। অমুক হন্না হল্লকপা ঙমদ্রবদি কোংগ্রেস লৈঙাক্কী স্কিম কয়া মোদি লৈঙাক্লা মমিং হোংদোক হোংদোক্তুনা থৈদোক থৈজিন তৌবগুম তৌখ্রবদি লায়রবা মীচম মীয়ামশিংদা ফংহৌগদবা চৈথেংদো কনাগী ওইগনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে চঙশিল্লিবা হাওসিং ফোর ওল (অর্বান) গী থবক অসি অঙম্বী থাক্তা য়াংশিলহন্নিংই। হৌজিকমকসি দিল্লিদগী মিনিষ্ট্রিগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনবা হৌরিবনি।

টাউন ২৭ লৈবগী মনুংদা মপূং ওইনা টাউন ৭ / ৮ খক্তমক মাঙজিল থানা খুমাং চাউশিনবগী মওং ওইনা তৌরি। লেমহৌরিবা টাউনশিং হেনজিন্না থৰায় য়াওবা মথৌ তারি। বেনিফিসরি লিষ্ট শেম শাহৌবসিদি হন্দক্কীসি নৎত্রবদি অমুক হন্না হাপতোক হাপচিন তৌবগী খুদোংচাবা ফংলরোই। করিনা হায়ববু টাউন টাউনদুগী ওইবা প্রোজেক্ট রিপোর্ট অমমম শেমদুনা মিনিষ্ট্রিনা এপ্রুভ তৌরবকান্দা ফেজ নাইনা শাবা হৌগদৌরিবনি। অরোই অরোইবা টাউন্দুখক্তগী ওইনা অয়াবা পীরক্কনি থাজদে। ঐগী পীক্লবা ষ্টেট অসিগী টাউন ২৭ কী ওইনা দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট অদু এপ্রুভ তৌরক্কদবা মাল্লি। অমতং চিংথদুনা লৈহৌবদা ষ্টেট অসিগী খোঙথাংদা অপনবা ওইগদবনা লৈরিবা টাউন খুদিংমক্লা য়াম্না থৰায় য়াওবা মথৌ তারি। মসিগীদমক টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা অহিং, নুংথিল নাইদনা ওফিসার কয়া ময়ামগী গাইদেন্সকীদমক থবক শুহন্দুনা থল্লি। মসিগীসু মথক্তা লাক্লিবা মিনিষ্ট্রিগী মীওইশিংনা অনৌ অনৌবা ফোর্মেট কয়া হোং হোংদুনা লোইশিনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়াসু থেংনরিবনি। মরম অদুনা টাউন টাউন্দুগী ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভশিং অমদি ওফিসারশিংনা মোবাইল ফোনগী খুথাংদদা নত্তনা ইশানা হকথেংননা টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং উনবা মথৌ তাগনি খল্লি। স্কিম অসি মায় পাক্লা পায়খৎপদা টাউন খুদিংমক্কী অচৌবা মতেং মথৌ তাই। ইশাগীনি খন্দুনা অমদি লায়রবা ময়ূম মকৈ লৈজদ্রবা মীচম মীয়ামশিংগী অচৌবা কান্নবা অমনি খন্দুনা ঐগী মীগী খাইদনা কাঙলোন চুম্না শেমহৌবসিনা লমদমসিগী য়াইফবনি খলহন্নিংই। মহাক ঐঙোন্দা ভোট পীদবনি মাগীদি হাপ্পা য়ারোই-য়ানি হায়বগী চয়েৎনবা থমদনা চাং মান্নবা মওং অমদা শেম শাহন্নিংই। হন্দক্কী ককচীংগী সর্ভে অদুদা য়াম্না শোত্থরবা মীওই খরা বেনিফিসরি ওইনা এপ্লিকেসন থারক্তবগী খুদম উরকই। মদু কাউন্সিল অদুনা পব্লিসিটি চৎপা ৰাৎপনরা নৎত্রগা করম্বা খুদোংচাদবা লৈবননো সর্ভে লোইবা মিৎকুপ্তু ফাওবদি হায়রিবা য়ূম খরা অদু হাওসিং ফোর ওলগীদমক্তদি এপ্লাইদ তৌরকপা থেংনদ্রি। অকুপ্পা হেন্না উরবা কাউন্সিল অদুগী এঞ্জিনিয়ারশিং অমদি ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিভবশিংনা হাপচিনবগী খুদোংচাবা অমুক হন্না লৌদুনা শোত্থহৌদবদি ওইসনু।

হন্দক্কী মোদি লৈঙাক্কী হাওসিং ফোর ওল স্কিম ঐগী ইরমদমগী টাউন ২৭ কী য়ামদ্রবদা মীওই লিশীং ৬০,০০০ রোমদি কান্নবা ফংগনি পানরিবনি। মসিগুম্বা অচৌবা খুদোংচাবা অসি শোয়দনা লৌহৌনবগী মাহুদ দিপার্টমেন্ট অমদি টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট অনী পুন্দুনা হোৎনরিবসি টাউন ২৭ কী মীওই খুদিংমক্লা মথৌ খঙলবা ওফিসার অমদি মখা থাবা ইমপ্লোয় খুদিংমকপুসু ইকায়খুম্নফম থোকই। নোংমগী তৌগদবা মথৌদগী য়াম্না হেন্না তৌদুনা খঙদবা কয়া শোয়হৌদনবা লাক্লিবা টাউনশিংগী মীওইবু ৰাখল তাহন্দুনা হোৎনরিবসি খ্বাইদগী মপূম ওইরিবদি চীফ টাউন প্লান্নর এন গীতকুমারনি। তশেংবনি প্লান্নর অমা ওইবগী মগুন চপ চানা লৈবা মীশক হায়বদু ওইরে এন গীতকুমার। মাগুম্বা মতিক চাবা ওফিসার অমগী মখাদা ইরমদমগী হাওসিং ফোর ওল মায় পাক্লবা হোৎনমিন্নহৌসি। খুদোংচাবা অসি হঞ্জিন হঞ্জিন লাক্কদবা নত্তে অমদি হেক য়ৌরকপগা উলটা পুলটাগী কাঙলোন্দা পরিং কায়হন্দনা চৎনবা হোৎনহৌসি। ইরমদম অসিদদি মীয়াম্না হেন্না খঙবিরিবদুনি করম্বনা অফবনো অমদি ফত্তবদুনা করম্বনো খন্দোকপা ঙম্বা নত্তে। ঙরাংমক্তদগী লমদমসিগী শক্লাইরবী আইরন লেদি শর্মিলা পোলিটিকেল পার্টি হায়বদুগী য়ং য়ং লাওবা মীশক অমা ওইবা হৌখ্রে। য়াম্না থাজরুদবনি অদুবু কেন্দ্র অনীমক্তা শোয়দনা মীরেপ ওইগনি লাউথোকখ্রে।

মরক অসিদা ঐগী য়ূম কৈ নীংথিনা লৈজদ্রিবা মীওই য়ামদ্রবদা লিশীং হুম্ফম মুক্তংদি হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনহন্নিংই। টাউন ২৭ কী মপূং ওইবা থৌমীশিং থৰায় য়াওদে হায়জবা নত্তে হেন্না খুমাং চাউশিলহন্নীংই হায়না ককচীংদা হাওসিং ফোর ওলগী স্পোট ভেরিফিকেসন চৎলুবদা থেংনরকপা খুদোংচাবা অমদি চাদবশিং অদুগী তেল্লপ্পা পাউদমনি তমজরিবসি। তোইনা চৎলুবা নৎত্রবসু ককচীং বজার মীয়াম তিনবা অচৌবা বজার অমদি ওইরে। য়ূমলৈ কৈরৈ অদুক হাক্লা শোত্থবদি নত্তে। লোইনমক্তি চাং মান্নৌ হায়বা য়াদবনা হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা খরদি তঙাইফরকই। য়াম্না নুংঙাইবা ফাওবা অমনা সর্ভে চৎপদুদা য়ূমশিং অদু অমগা অমগা পংফাওদা ফাওনবা য়াবা য়াম্না নুংশিননা লৈবগী মমিদুমদি থাগৎতবা ঙল্লোই। লোয়ননা লৈরক খুদিংমক মরাং কায়না চৎথোক চৎশিনগী অমদি ইরম নালাগী ফীভম য়াম্না মরাং কায়বমক নৎত্রবসু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরসনগী ৱার্দশিংগা চাংদম্নবদা ককচীংনবু হেল্লপ লৈহৌই। অরোইবদা ভেরিফিকেসন চৎপা য়াওরিবা মীয়াম্বু চ্যেরপার্সন ইকায়খুম্নবীনা অহাওবা চাকলেন অমা পীজরগা অৰাবা পূম্বা কাউহনবীখিবদুদা ককচীংগী সোইবুম ইরোনবগী মথেলদুদি কাউবা ঙমদনা হল্লকখি।